## য়ু এস দোক্টরশিংনা ট্রেনিং পীখ্রে

রাঞ্চি, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভ অমসুং অঙাংশিংদা ভাইরস অসি শন্দোরকপা থিংননবগী শেম-শাবা ওইনা য়ু এসকী য়ুনিভর্সিটি ওফ কালিফোর্নিয়া, য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্সাস অমসুং য়ুনিভর্সিটি ওফ ইলিনোইজগী স্পেসলাইজ দোক্টরশিংনা নোংমাইজিং নুমিত্তা ঝর্খন্দগী দোক্টর চা কয়াদা পেদিয়াত্রিক ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটশিং শেম-শাবা অমসুং ত্রিটমেন্ট প্রোটোকোলশিংগা মরী লৈননা ওনলাইনদা ট্রেনিং পীখ্রে।

ৱেবিনর অদুদা শরুক য়ারিবশিং অদু ষ্টেটনা চল্লাইবা মেদিকেল কোলেজ অমসুং হোস্পিটালশিং, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিং, মেল-ন্যুত্রিসন ত্রিটমেন্ট সেন্টরশিং, স্পেসল ন্যু বোর্ন ক্যের য়ুনিটশিং, ন্যু বোর্ন ষ্টেবিলাইজেসন য়ুনিটশিংদা থবক তৌরিবা পেদিয়াত্রিসিয়নশিং অমদি ঝর্খন্দ পূম্বদা নৌনা লিংখৎকদৌরিবা পেদিয়াত্রিক ইন্টেন্সিভ ক্যের য়ুনিটশিংদা থবক তৌহনগদৌরিবা পেদিয়াত্রিসিয়নশিংনা শরুক য়াখি।

## উরিষাগী কোভিদ-১৯গী ফিভম রিভিয়ু তৌনবা সেন্ট্রেল টিম ভুবনেশ্বরদা থুংখ্রে




ভুবনেশ্বর, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯গী মেনেজমেন্ট মোনিটর তৌনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যেরনা থাবা সেন্ট্রেল টিম নিংথৌকাবা নুমিত্তা উরিষাদা থুংখ্রে।

টিম অদুদা মেম্বর অনী য়াওই। মেম্বর অনীগী মরক্তা অমা ওইরিবা কোলকটাদা লৈবা ওল ইন্দিয়া ইন্সটিটুট ওফ হাইজিন এন্দ পব্লিক হেল্থ (এ আই আই ঐচ এন্দ পি ঐচ)কী প্রোফেসর ডা. শিবানি দত্ত নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্তা ভুবনেশ্বরদা থুংখি। অতোপ্পা মেম্বর প্রসান্ত রাঘাব মোহাপাত্র এইমস ভুবনেশ্বরগী প্রোফেসর অমনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা প্রোফেসর দত্তনা হায়, প্রোগ্রামগী মতুং ইন্না ঙসি ঐখোয়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংগা উনগনি অমসুং হয়েংনা কোভিদ কেস ৱাংনা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎকনি।

ফিল্ড ভিজিট মনুংদা টিম অদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চথরক্লিবা কেস ঙন্না ট্রেসিং অমসুং টেষ্টিং তৌবা অমদি সর্ভিলেন্স অমসুং কন্টানমেন্টকী থবকশিং য়েংশিনগনি। মখোয়না হোস্পিটালশিংদা বেদ অমসুং ভেন্টিলেটর মরাং কায়না লৈব্রা হায়বসু য়েংশিনগনি।

কোভিদ-১৯গী কাঙলোনশিং অমসুং কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেভিয়র ইমপ্লিমেন্ট তৌবগী মওং, হোস্পিটালশিংদা বেদ ফংবা নৎত্রগা ফংদবগী ফিভম, এম্বুলেন্স, ভেন্টিলেটর অমসুং মেদিকেল ওক্সিজেন লোয়ননা ভেক্সিনেসনগী ফিভম মখোয়না য়েংশিনগনি। টিম অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা লাইচৎ অসি থেংনবগা মরী লৈনবা সজেসনশিংসু পীগনি। নিংথৌকাবা নুমিত্ত উরিষাদা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট ৫২ শিদুনা ষ্টেট অসিগী ওইনা নোংমদা শিবা খ্বাইদগী য়াম্না মশিং ওইখি। মশিং অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট অসিদা কোভিদনা শিহনবা মী মশিং পুন্না ৪,২৪৮ শুরে।

খুর্দা দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ৯ শিদুনা দিষ্ট্রিক্ট অসি নুমিৎ অসিদা অশিবা মশিং খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরি। বার্গন, গুঞ্জম, কালাহান্দি, সুন্দরগর অমসুং পুরি দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীওই মঙা মঙা শিখি। কেন্দ্রাপারা দিষ্ট্রিক্টতা মীওই মরি শিখি অমসুং কট্টক, কন্দামল অমদি ময়ুরভঞ্জ দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীওই অনী অনী শিখি। ভাদ্রক, বৌধ, ভেমকানল, জর্সুগুদা, বিওঞ্জার, নয়াগর, নুৱাপাদা অমসুং সম্বলপুর দিষ্ট্রিক্টশিংদা মীওই অমমম শীখি।

দিরেক্টর মেদিকেল এদ্যুকেসন এন্দ ট্রেনিং (দি এম ঈ টি) সী বি কে মোহন্তিনা হায়, মহৌশানা লায়না দিটেক্ট তৌবা অমসুং কোভিদ পেসেন্ট অমা শিবগী মরক্তা গেপ অমা লৈ। নুমিৎ খরনি লৈরগা পেসেন্ট অদুগী ফিভম লুশিল্লকপগা লোয়ননা লায়েংবদা রেস্পোন্স লৈরক্তুবা মতমদা শি। মরম অদুনা পেসেন্ট খরদি ক্রিটিকেল ক্যের ফেসিলিটিশিংদা নুমিৎ কয়ানি লায়েং চখদুনা লৈবা অসিনা শিবগী চাং ৱাংলিবনি। অদুম ওইনমক কোভিদ পেসেন্টশিং থুনা শিবসু য়াই হায়না মোহন্তিনা মখা তাখি।

## তুশর মেহতা সোলিসিটর জেনরেলগী ফমদগী লৌথোক্নবা তৃনামুল এম পিশিংনা প্রসিদেন্টতা তকশিনখ্রে




ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

তৃনামুল কোংগ্রেসকী এম পিশিংগী দেলিগেসন অমনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোভিন্দগা উনদুনা তুশর মেহতাবু সোলিসিটর জেনরেলগী ফমদগী লৌথোক্নবা তকশিনখ্রে। মহাক্না ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বি জে পি লীদর সুভেন্দু অধিকারিগা উনখিবা মরম চাদে অমসুং চিংননিংঙাই ওই হায়না মখোয়না ফোঙদোকখি।

টি এম সিগী এম পিশিং সুখেন্দুনা সেখর রে অমসুং মাহুৱা মোইত্রানা প্রসিদেন্টতা লেট্টর অমসু সবমিট তৌখি। মদুদা মেহতানা বি জে পিগী লীদরগা উনখিবদু মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতনি হায়না পনখি। মথৌ তৌরিবা লৈবাক অসিগী অৱাংবা থাক্কী লো ওফিসরশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা লোয়ননা সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)গী স্পেসল পব্লিক প্রোজিক্যুটরসু হাপ্পবা সোলিসিটর জেনরেলগা এজেন্সি অসিমক্না থীজিলল্লিবা এক্যুজ মীওই অমনা উনবা হায়বসি য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা তৌফম থোক্তবা খোঙথাং অমনি হায়না টি এম সীগী মহুৎ শিন্দুনা এম পিশিংনা প্রসিদেন্টতা সবমিট তৌখিবা লেট্টর অদুদা পনখি।

অমরোমদা, সোলিসিটর জেনরেল মেহতানা মহাক্কী ওফিসল রেসিদেন্সতা অধিকারিগা উনখি হায়বা ৱাফম অসিবু য়ানীংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মতম অমদা তৃনামুল কোংগ্রেসকী সিনিয়র লীদর অমা ওইরম্বা অধিকারি অসি কুমজা ২০১৬কী নরাদা টেপস কেসতা এক্যুজ অমা ওইরিবনি অমসুং ৱাফম অসিগা মরী লৈননা এজেন্সি অসিনা টি এম সিগী সিনিয়র লীদরশিংগী মায়োক্তা হৌজিক চথরিবা ইনভেষ্টিগেসনদা মেহতানা সুপ্রিম কোর্ট অমসুং কালকট্টা হায় কোর্টতা সী বি আইবু রিপ্রজেন্ট তৌরিবনি।

ভিদিওশিং অমসুং ফোটোগ্রাফশিং য়াওবা তোঙান তোঙানবা ন্যুজ আইটেমশিংনা অরুবা ক্রিমিনেল ওফেন্সশিংদা এক্যুজ অমা ওইরিবা বি জে পিগী অধিকারি অমসুং সোলিসিটর জেনরেল মেহতা অতৈ মীওইশিং য়াওদনা ঈংনা চিক্না উনখি হায়না ফোঙদোক্লি।

মসি ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী ৱাংবা লিগেল ওফিসশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা সোলিসিটর জেনরেল ওফ ইন্দিয়াগী ওফিস তৌফম থোক্তবা থৌওংশি চথখিবগী চিংনবা চাওনা পোকহনবা লৈবাক্কী ওইনা য়াম্না মরু ওইবা ৱাফম অমনি।

মমাঙদা পার্টিগী এম পিশিং-দোরেক ও'ব্রিএন, রে অমসুং মোইত্রানা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদসু লেট্টর অমা ইদুনা মেহতাবু মফম লৌথোক্নবা তকশিনখ্রবনি। মেহতা অমসুং অধিকারিগী মরক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদু চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদনি হায়না মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরদা ইবা লেট্টর অদুদা পনখি।

## কলয়ান সিংহ এস জি পি জি আই এম এসতা হোংজিনখ্রে

লক্ষ্মৌ, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

উত্তর প্রদেশকী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর কলয়ান সিংহগী হকচাংগী ফিভম হেন্না শোকচিল্লকপদগী হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা সঞ্জয় গান্ধি পোষ্ট গ্রেজুএট ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এস জি পি জি আই এম এস)তা হোংজিনখ্রে।

রাম মনোহর লোহিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (আর এম এল আই এম এস)কী আই সী য়ুদা থাংজ নুমিত্তা লৈরম্বদগী হোংজিনখিবনি। মহাক্কী ব্লদ প্রেশর খঙহৌদনা ৱাংলকপদগী মাইনর হার্ট এটেক অমা থোকখি।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুং ইন্না মশাগী চহী ৮৯ শুরবা পোলিটিসিয়ান অসি পেরোটিক গ্লান্দদা ইনফ্লেমেসন লাকখি অমসুং কিদনিগী ফঙ্কসনদসু ইরিগ্যুলরিটি কয়া লৈরম্বা থেংনখি।

দোক্টর ১০না হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিবু য়েংশিল্লিবনি। এস জি পি জি আই বুলেটিন অমগী মতুং ইন্না মহাক্কী ব্লদ প্রেশর অমসুং মীহুন ষ্টেবল ওই। সেপ্সোরিয়মদা অহোংবা খরা লাকখি। কন্দিসন অসি কার্দিওলোজি, নেফ্রোলোজি, ইন্দোক্রিনোলোজি অমসুং ন্যুরো-ওটোলোজিগী দোক্টরশিংনা ত্রিটমেন্ট তৌরিবনি।

## 'ভেক্সিন কাপ্পনা টামিল নাদুগী ত্রাভেল সেক্টর ফগৎহন্নবগী মরু ওইবা পাম্বৈনি'

ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

টামিল নাদু টুর ওপরেটর্স এসোসিএসননা হায়খ্রে মদুদি, ষ্টেট অসিগী ত্রাভেলরশিং মপান্দা চৎপা হেনগৎহন্নবগী খ্বাইদগী মরু ওইবা পাম্বৈদি ভেক্সিন কাপ্পা অসিনি।

মসি মরু ওইনা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বনা ভেক্সিন কাপখিবগী সর্টিফিকেট য়াওদ্রবদি টুরিষ্টশিং চঙহন্দবগী ফিভম লাকপদগীনি।

এসোসিএসন অসিগী ওফিস বিয়রর অমা ওইরিবা সুহাইব মোহম্মদনা হায়, থবক্না মরী লৈনদনা মপান্দা চৎপগী মতাংদা ত্রাভেল এজেন্সি খুদিংমক্তা ইনক্বাইরিলেপ্পুনা তৌরক্লে। তৌইগুম্বসুং ভেক্সিনেসন হায়বসি মরু ওইবা ফেক্টর অমা ওইরক্লে, ভেক্সিন কাপত্রবদি লম চৎপা হায়বসি ওইথোক্তবা অমা ওইরে। হৌজিক লৈবাক অয়াম্বনা অরাকপা টুরিষ্টশিংগী ভেক্সিনেসন সর্টিফিকেট শোয়দনা পায়গদবনি হায়রি।

টুর এজেন্টশিংগী মতুং ইন্না, ইনক্বাইরি অয়াম্বা মীয়াম্না পাম্নরবা হনিমুন মফম অমা ওইরিবা স্বিটজরলেন্দ অমসুং রসিয়াগী মরমদা ওই। লৈবাক অনীমক ভেক্সিন দোজ অনী কাপ্লবা ত্রাভেলরশিংদা ভিজা ইস্যু তৌবা হৌখ্রবনি।

অশোক লেলেন্দগী ইঞ্জিনীয়র অমা ওইরিবা মুরালিকৃষ্ণননা হায়, হন্দক্তা লুহোংখিবা ঐহাক্কী ইচানুপী স্বিটজরলেন্দদা চৎপা পাম্মী। হৌজিক্তি স্বিটজরলেন্দনা ভিজা ইস্যু তৌবা হৌখ্রে। ইচানুপীনা মহাক্কী মপুরোইবগা স্বিটজরলেন্দদা চৎনবগীদমক মহাক্না চেন্নাইদা লৈবা পোপ্যুলর ত্রাভেল এজেন্ট অমা কন্টেক্ট তৌখি।

প্রিসিজন ত্রাভেলস ওফ ইন্দিয়াগী রাজেশ বাসুদেবনা হায়, চেন্নাইদগী পেরিস ফাওবগী দাইরেক্টর ফ্লাইটশিং লৈরবসু ফ্রান্সনা ইন্দিয়ান ত্রাভেলরশিং অনীশুবা দোজগী ভেক্সিন কাপ্লবা ফাওবা চঙবা য়াহন্দ্রি হায়রি।

## এক্স মিনিষ্টর অনিল দেশমুখ ঈ দিনা অহুম্লক সম্মন তৌবদা চৎখিদ্রে

মুম্বাই, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ঈ দি)গী নম-হাবগী থৌওংগী মায়োক্তা প্রোটেক্সন পীবিনবা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাৎকৎলিবা মহারাষ্ট্রগী এক্স-মিনিষ্টর অনিল দেশমুখ এজেন্সি অসিনা চয়োল অমগী মনুংদা অহুম্লকশুবা ওইনা কৌবদসু চৎখিদ্রে।

ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেটনা মুম্বাইদা মহাক্কী মায়োক্তা চথরিবা প্রোব অসি ট্রান্সপরেন্ট ওইদে হায়না দেশমুখনা সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিবু মরাল শীরি।

ঈ দি মুম্বাইগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর তাসিনে সুল্টানদা ইবা লেট্টর অমদা দেশমুখনা হায়খি, মহাক্না মপুন্সি চুপ্পা পব্লিক সর্ভিসতা কথোকখি। হৌজিক চথরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা মতেং পাংবদা মঙোন্দা চিংনবা লৈতে। অদুম ওইনমক পরিং নাইনা থোক্লক্লিবা থৌদোক কয়ানা মহাক্কী ৱাখলদা ইনভেষ্টিগেসন অসিদা লোগী প্রোসিজর ঙাক্ত্রে, পান্দম অমত্তা লৈহন্দ্রে। লোয়ননা মীচঙ-মীখাই নাইদনা নৎত্রগা ট্রান্সপরেন্সি লৈনা থবক তৌদ্রে হায়বগী চিংনবা চাওনা লৈহল্লে হায়না মশাগী চহী ৭২ শুরবা নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টিগী সিনিয়র লীদর অসিনা মহাক্কী লেট্টরদা ইখি।

দেশমুখনা হায়, মহাক্না সুপ্রিম কোর্টতা পিটিসন অমা থাখ্রে। মদু নুমিৎ খরনিগী মনুংদা লিষ্ট তৌরগনি। অমরোমদা মহাক্না ঈ দিদা এপেক্স কোর্টকী ৱারেপ লাকপা ফাওবা ঙাইনবা হায়জখ্রে। প্রোব অদুদা মতেং পাংনবা ঈ দিনা সম্মনশিং থাবদা দেশমুখনা চৎতবসি চয়োল অমগী মনুংদা হন্দক্কীসিনা অহুম্লকশুবনি। জুন ২৫দা ঈ দিনা মহাক্কী ময়ুমদা রেইদ চথখিবগা লোয়ননা মহাক্না নকশিন্নখিবা মীওইশিংগী মনুংদা য়ামদ্রবদা মীওই অনী ফাখ্রবনি।

সেন্ট্রেল এজেন্সি অসিনা দেশমুখপু নিংথৌকাবা নুমিত্তা সম্মন তৌখি অমসুং মহাক্কী মচানুপা রিশিকেশনা লৈবাকপোকপা নুমিৎ (জুলাই ৬)তা লাক্নবা খঙহনখি। মুম্বাইগী হান্নগী পুলিস কম্মিস্নর পরম বির সিংহবু ফম অসিদগী ট্রান্সফর তৌখিবা মতুংদা মহাক্না তৌখিবা কমপ্লেন্ট অমদা য়ুম্ফম ওইরগা মনি-লোন্দরিংগী চার্জশিংগী মতাংদা প্রোব অসি চথরকখিবনি।

হৌজিক্তি হোম গার্দসকী কম্মান্দেন্ট জেনরেল ওইরবা সিংহনা তৌরিবা কমপ্লেন্ট অদুদা এক্স-মিনিষ্টর অসিনা হৌজিক্তি দিসমিস তৌখ্রবা এসিষ্টেন্ট পুলিস ইন্সপেক্টর সচিন ভাজদা থা অমদা লুপা ক্রোর ১০০ খোম্বগী টার্গেট থম্নবা খঙহনখি হায়না পনখি।

## কোভিদ কাঙলোনশিং থুগায়বগী সাওথ দেল্লীগী লাজপট নগড় মার্কেট থিংজিনখ্রে




ন্যু দেল্লী, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

কোভিদ-১৯গী কাঙলোনশিং ইন্দবগীদমক সাওথ দেল্লী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লাজপট নগড় সেন্ট্রেল মার্কেট নোংমগী ওইনা থিংজিনখ্রে।

মার্কেট অদুদা মীয়াম্না সোসল দিষ্টেন্সিং অমসুং মাস্ককুম্বা কোভিদ-১৯ প্রোটোকোলশিং ইন্দবদগী এদমিনিষ্ট্রেসননা মার্কেট হাংদনবা ওর্দর তৌখিবনি।

মসিগী মমাঙদা ইষ্ট দেল্লীগী লক্ষমি নগড় মার্কেটসু কোভিদ-১৯ গাইদলাইনশিং থুগায়বগীদমক জুন ২৯গী নুমিদাং পূং ১০দগী জুলাই ৫গী নুমিদাং পূং ১০ ফাওবা থিংজিনখি।

সাওথ দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা লাজপত নগর সেন্ট্রেল মার্কেট এসোসিএসনদা কোভিদ-১৯ গাইদলাইনশিং ঙাক্নবা লৌখৎলিবা মথৌ তাবা থৌরাংশিংগী মতাংদা হংখি অমসুং মার্কেট এসোসিএসন অসিদা সো-কোজ নোটিস ইস্যু তৌখি।

মার্কেট এসোসিএসন অসিনা ইন্সট্রক্সনশিং ইন্দবা অমসুং দি দি এম এ ওর্দরশিং/গাইদলাইনশিং থুগায়খিবা অসিনা মরম ওইদুনা দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্ট, ২০০৫গী সেক্সন ৫১দগী সেক্সন ৬০ ফাওবগী প্রোভিজনশিং অমসুং আই পি সীগী সেক্সন ১৮৮গী মখাদা করিগী এক্সন লৌরোইদবা হায়বগী পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না ওর্দর অদুদা পনখি। মার্কেট এসোসিএসন অসিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবদা নোটিস অসিগী পাউখুম পীগদবনি হায়না ওর্দরদুনা মখা তাখি।

## কেরলাগী এক্স মিনিষ্টরনা উ য়ান্নবা ওর্দর তৌখি: রেকোর্দ

তিরুভানন্থপুরম, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

ৱায়ানাদ অমসুং অতৈ মফমশিংদা হৌরিবা উশিং য়ান্ননবা পিনারায়ি ভিজায়ননা লুচিংবা অহানবা গভর্ণমেন্টতা রিভেন্যু মিনিষ্টর ওইখিবা সী পি আইগী সিনিয়র লীদর ঈ চন্দ্রসেখরননা ওর্দর কয়া ইস্যু তৌখি হায়বসি রেকোর্দ খরনা উৎখ্রে।

রেকোর্দশিং অদুগী মতুং ইন্না হান্নগী মিনিষ্টর অসিনা কুমজা ২০২০গী ওক্টোবর ৫দা নোট অমা ইস্যু তৌদুনা উ য়ান্নবগী ওর্দর থোকপা য়াহনখিবদগী কেরলাদা ফোরেষ্ট এক্টকী মতুং ইন্না ঙাকপী-শেনবীদুনা থমগদবশিংনি হায়না খন্নবা উ কয়া য়ানবগী ৱাথোক লাকখিবনি।

ফোরেষ্ট এক্টনা সেন্দলৱুদ, রোৱুদ, টিকৱুদ অমসুং ইবোনি হায়রিবা উ মখলশিং অসি য়ানবা থিংই। মিনিষ্টর অসিনা মহাক্কী নোট অদুদা অমসুং মতুং তাবদা থোকখিবা ওর্দরদা অসিগুম্বা উশিং য়ানবগীদমক পর্মিসন লৌবগী মথৌ তাদে হায়না পনখি।

রেকোর্দশিং অদুগী মতুং ইন্না মিনিষ্টর অসিনা কুমজা ২০১৯গী জুন ২৭তা কতম পূজা ফোরেষ্ট এরিয়াগী ফার্মরশিংগী মীফম অমা কৌখি। মীফম অদু ঐখোয়না থাজখিবা উশিং য়ানবগী পর্মিসন পীবিনবা হায়জখিবা মতুংদা ফমখিবনি। মিনিষ্টরনা কৌখিবা মীফম অদুদা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা উ য়ানবগী মায়োক্তা লেপখিবগা লোয়ননা উ য়ানবগী ৱারেপ অসি গভর্ণমেন্টনা লৌজগদবনি হায়খি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা অসুম্না উ য়ানবগী মায়োক্তা লেপ্লকখিবা মতুংদা হীরম অসিগী মতাংদা গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী রিভেন্যু দিপার্টমেন্টকী ওপিনিয়ন লৌনবা হোৎনখি। কুমজা ২০১৯গী সেপ্টেম্বর ৩ দা পাঙথোকখিবা অনীশুবা মীফমদা উ মখল মরি হায়বদি- সেন্দলৱুদ, রোজৱুদ, টিকৱুদ অমসুং ইবোনি য়ানবগী ৱাফম কন্না ওপোজ তৌখি।

ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী থৌওং অসিদগী মীফম অদুদা কেরলা গভর্ণমেন্টকী লেন্দ এসাইনমেন্ট এক্ট, ১৯৬৪ এমেন্দ তৌদুনা ফার্মরশিংনা থাজখিবা উশিং নীংথিনা হৌরবা মতুংদা মখোয়না লমগী টাইটল দীদশিং ফংলবদি য়ানবা য়াহন্নবা লেপখি।

## কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 61,00,000 +9,336 +9,336 | 58,50,000 +3,378 +3,378 | 1,23,000 +306 +306 |
| Kerala | 29,70,000+12,100 | 28,60,000+11,551 | 13,716+76 |
| Karnataka | 28,50,000+1,564 | 27,70,000+4,775 | 35,367+59 |
| Tamil Nadu | 25,00,000+3,867 | 24,30,000+4,382 | 33,005+72 |
| Andhra Pradesh | 19,00,000+3,175 | 18,50,000+3,692 | 12,844+29 |
| Uttar Pradesh | 17,10,000+126 | 16,80,000+305 | 22,640+18 |
| West Bengal | 15,10,000+1,297 | 14,70,000+1,777 | 17,799+20 |
| Delhi | 14,30,000+94 | 14,10,000+111 | 24,995+7 |
| Chhattisgarh | 9,96,000+229 | 9,77,000+211 | 13,456+3 |
| Rajasthan | 9,53,000+71 | 9,43,000+147 | 8,938+4 |
| Odisha | 9,22,000+2,870 | 8,91,000+3,358 | 4,196+42 |
| Gujarat | 8,24,000+70 | 8,11,000+128 | 10,069+2 |
| Madhya Pradesh | 7,90,000+47 | 7,80,000+50 | 9,009+8 |
| Haryana | 7,69,000+51 | 7,58,000+87 | 9,486+12 |
| Bihar | 7,23,000+109 | 7,11,000+211 | 9,601+2 |
| Telangana | 6,27,000+605 | 6,11,000+1,088 | 3,691+7 |
| Punjab | 5,96,000+151 | 5,78,000+358 | 16,110+7 |
| Assam | 5,17,000+1,213 | 4,89,000+2,775 | 4,652+20 |
| Jharkhand | 3,46,000+52 | 3,40,000+198 | 5,115+1 |
| Uttarakhand | 3,41,000+78 | 3,32,000+148 | 7,333+2 |
| Jammu and Kashmir | 3,17,000+347 | 3,09,000+426 | 4,337+2 |
| Himachal Pradesh | 2,03,000+87 | 1,98,000+167 | 3,483+1 |
| Goa | 1,67,000+164 | 1,62,000+202 | 3,073+4 |
| Puducherry | 1,18,000+172 | 1,14,000+272 | 1,761+1 |
| **Manipur** | **72,286+643** | **64,931+602** | **1,196+8** |
| Tripura | 67,677+226 | 63,209+366 | 692 |
| Chandigarh | 61,728+10 | 60,777+16 | 808 |
| Meghalaya | 51,524+489 | 46,228+632 | 862+7 |
| Arunachal Pradesh | 37,105+168 | 33,967+263 | 177+1 |
| Nagaland | 25,519+68 | 23,786+87 | 499 |
| Mizoram | 21,337+91 | 17,661+407 | 95 |
| Sikkim | 21,131+176 | 18,722+133 | 308 |
| Ladakh | 20,120+5 | 19,690+21 | 204+2 |
| Lakshadweep | 9,900+39 | 9,577+20 | 49 |
| Andaman and Nicobar Islands | 7,482+4 | 7,333+3 | 128 |

## নুপীমচা ৩ শিরে

হায়দরবাদ, জুলাই ০৫ (এজেন্সী):

টেলঙ্গনাগী নির্মল দিষ্ট্রিক্টতা ইমুং অমগী ইনখৎলক্লিবা নুপীমচা অহুম সেলফী লৌনবা হোৎনবদা ইরিগেসনদা শীজিন্নবা অচৌবা পুখ্রি অমদা তাশিন্দুনা ঈরাক্লবদগী শিখ্রে। থৌদোক অদু নোংমাইজিং নুমিৎকী নুমিদাংদা থানূর মন্দলগী সিঙ্গাগাওন ভিলেজদা থোকখিবনি অমসুং নিংথৌকাবা নুমিত্তা খঙনরকখিবনি। পুলিসকী মতুং ইন্না নুপীমচাশিং অদু য়ুমদা হল্লক্তবদগী মখোয়গী অহলশিংনা থিবগা লোয়ননা পুলিসতা কমপ্লেন্ট তৌখি।


### ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খূদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খূদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/6972/17/5-15/6



### ꯁꯤꯔꯤ ꯁꯤꯔꯤ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম :



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাইবু কোনবীরম্বী **নিংথৌজম অম্ব্রাবতি দেবী**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি ঐখোয় খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ০২/০৭/২০২১ ইং ইঙাগী ২৩নি পানবা ইরাই নুমীৎতা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেস ওন্দুনা বসন্তী মঞ্জুরি শ্রী কৃষ্ণ চৈতৈন্য দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ০৭/০৭/২০২১ ইং, ইঙাগী ২৮নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা অষ্টি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ১৫/০৭/২০২১ ইং, ইঙাগী ৫ নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবী বৈষ্ণবীগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কীর্ত্তণগা লোয়ননা শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী অগ্রাদা কচ্চগদৌরি।

**কোভিদনা মরম ওইদুনা ইমুং-মনুং অমদি লাইগী থৌরম খক্তমক পাঙথোকচগনি।**

**বিনিতগণ ঃ-**

**নিংথৌজম হেম সিংহ (মচানুপা)**

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১। লোংজম ওংবী সুবদিনী দেবী | (মচানুপী) | ১। নিংথৌজম শ্যাম সিংহ | (মচানুপা) |
| ২। লোংজম ওংবী ব্রজমনি দেবী | (মচানুপী) | ২। নিংথৌজম প্রিয়োকুমার সিংহ | (মচানুপা) |
| ৩। নিংথৌজম ওংবী প্রিয়োবশিনি দেবী | (মমৌনুপী) | ৩। নিংথৌজম সৈত্যব্রতা সিংহ | (মচানুপা) |
| ৪। নিংথৌজম ওংবী মেমচা দেবী | (মমৌনুপী) | ৪। নিংথৌজম বিরজিৎ (ব্রজাচান্দ) সিংহ | (মচানুপা) |
| ৫। নিংথৌজম ওংবী কমালা দেবী | (মমৌনুপী) | | |
| ৬। নিংথৌজম ওংবী ভিক্তোরিয়া (মেমি) দেবী | (মমৌনুপী) | | |
| ৭। ওইনাম ওংবী সৈত্যবতি দেবী | (মচানুপী) | | |
| ৮। নিংথৌজম ওংবী নোমিতা দেবী | (মমৌনুপী) | | |
| ৯। নিংথৌজম নিংঙোল টেজেশ্বনি দেবী | (মশুনুপী) | | |

থৌরম পরেং:-

ভেক কৎপা - অয়ূক পুং ৮:০০
সঙ্কীর্ত্তণ হৌবা - অয়ূক পুং ৮:৩০
প্রসাদি ফংবা - অয়ূক পুং ১১:০০
থৌরম লোইশিনবা - অয়ূক পুং ১১:৩০

**শিংজমৈ মখা নিংথৌজম লৈকাই ওইনাম থিংঙেল।**

HL-P/9990/6



# BOARD OF SECONDARY EDUCATION MANIPUR

## ꯆꯦꯍꯤꯡ ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION

Imphal, the 5th July, 2021

**No.Ex/62/71(Vol-I)Pt:** In continuation of this office notification of even no. dated 26th June, 2021, it is hereby notified for information of all Heads of Institution recognised by Board of Secondary Education Manipur that the subjectwise average marks and subjectwise highest marks for the **Reference Year** (the year in which pass percentage of the school was highest) is being uploaded in the portals ***hslcportal. bosem.in*** and ***bosemonline.com.***

For any clarification, confirmation on Guidelines for Assessment/ Evaluation Modality for the H.S.L.C. Examination, 2021, please contact: **7005634238, 9856169653, 7005021009, 9856653615, 7005422518, 9612626576, 9862673636** on working hours.

Sd/- **Dr. S. Mangijao Singh**
Secretary

HL-P/9993/6



### ꯃꯥꯡꯈꯤꯕ / মরুওইবা চে-চাং খরা তাহৌরে

ঐগী মরুওইবা চে-চাং খরা, Aadhaar Card, PMAY Card, ATM Card অমদি অতোপ্পা চে-চাং খরগা লোয়ননা তাং ৫/৭/২০২১ দা য়ুমদগী JNIMS Hospital, Porompat ফাওবা চৎপগী মনুংদা মফম খঙদনা তাহৌরে। কনাগুম্বনা হায়রিবা চে-চাংশিং অসিবু খুনবীবা অমদি থেংনবীবা য়াওরবদি মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা পাউ ফাওবীরকউ অমদি অদোমগী তৌবীমল মতম চুপ্পগী কাউজরোই।

**Sd/- Yumkhaibam Premchandra Singh**
Keirao Wangkhem, Maning Leikai, Imphal East,
# 9612431912 / 9612017970

HL-P/9991/6